স্পেনগী রাফেল নদালনা অর্জেন্টিনাগী স্বার্মেন মায়থীবা পীদুনা ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপাগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

পেরিস, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী): স্পেনগী শান্নরোয় রাফেল নদালনা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সেমীফাইনেলদা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় দিএগো স্বার্মেনবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী মেমীফাইনেল মেচ অদুদা রাফেল নদালনা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় দিএগো স্বার্মেনগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট অদুগী হৌরকপদা লেংমান্নরম্লবসু মখাতারকপদা নদালনা স্বার্মেনগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইবা ঙমখি।

সেট অমা মাংজিল থারবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদসু টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ১৩রকশুবা টাইটল লৌননবা অচৌবা থৌনাগা লোয়ননা শরুক য়ারক্লিবা নদালনা দিএগো স্বার্মেনগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইবগা লোয়ননা সেমীফাইনেল মেচ অদুদা সেট ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

সেমীফাইনেল মেচ অদুগী অহুমশুবা সেট অদুদা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় দিএগো স্বার্মেননা য়াম্না ফজবা মশান্না উৎলক্তুনা নদালগী সোর্ট খুদিংমক পাউখুম পীবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইদুনা শান্নরোয় অনীম্মক গেম ৬-৬ লৈনখি। টাইব্রেক শান্নবদা নদালনা পোইন্ট ৭-০দা থোইদুনা মায় পাকপদগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ক্রোসিয়াগী মাটে পাবিস অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সাওরেজ অমদি জর্মনিগী প্যের কেবিন ক্রাৱিস অমসুং এন্দ্রিজ মাইসকা লম্বা তৌনরগনি।

পাবিস অমসুং সাওরেজনা মখোয়গী সেমীফাইনেল মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ প্যের কলম্বিয়াগী জোন সেবেসিয়ন কবাল অমসুং রোবর্ট ফরাগা য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা সেট ২-০দা থোইবা ঙমখি। অহানবা সেট অদু নাকল অনীমত্তংগী গেম ৬-৬ থোইনদুনা টাইব্রেক শান্নরকপদা ক্রোসিয়া অমদি ব্রাজিলগী প্যের অদুনা পোইন্ট ৭-৪দা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা সেট অদুসু প্যের অনীগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা শান্নরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা গেম ৫-৫ ফাওবা মান্নরকখি। অদুবু থংনবা গেম অনী পাবিস অমদি সাওরেজনা থোইদুনা ৭-৫দা সেট মায়পাকপদগী সেমীফাইনেল য়ৌখি।

মখোয়না ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা জর্মনিগী প্যের ক্রাৱিস অমসুং মাইসনা মখোয়গী সেমীফাইনেল মেচতা নেদরলেন্দস অমসুং ক্রোসিয়াগী প্যের ৱেসলি কুলহোপ অমসুং নিকোলা মেকটিকপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৭-৫দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলস ফাইনেল মেচতা অনীশুবা সিদেদ প্যের হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোবিসনা চিলিগী এলেজা গ্বারাচি অমদি য়ু এস এগী দিজিরে ক্রাৱিককা লম্বা তৌনরগনি।

এলেজা অমসুং ক্রাৱিকনা মখোয়গী সেমীফাইনেলদা পোলেন্দ অমসুং য়ু এসকী স্বিটেক অমদি মেলিচরবু ৭-৬(৭-৫), ১-৬,৬-৪দা থোইরমখি। অদুগা বাবোস অমসুং লাদেনোবিসনা জেক রিপব্লিক্কী বারবোরা অমসুং কেটেরিনাবু সেট ২-১দা থোইখি।

দিল্লি কেপিটেলসনা রাজস্থান রোয়লসপু রন ৪৭তা থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মমাং থারি

সর্জা, ওক্টোবর ০৯(এজেন্সী): ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি সর্জা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ২৩শুবা মেচতা দিল্লি কেপিটেলসনা রাজস্থান রোয়লসপু রন ৪৭তা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মমাং থারি।

ঙসিগী মেচ অদুদা রাজস্থান রোয়লসনা টোস ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা দিল্লি কেপিটেলসনা অপীবা ওভর ২০দা বেটচমেন ৮ আউট ওইরগা রন ১৮৪ লৌখি। দিল্লি কেপিটেলসকী ঙসিগী স্কোর অদু টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা য়াম্না ফজবা স্কোর অমা ওইখিদে। টিম অদুগী মায়কৈদগী ৬শুবা বেটচমেন হেটমরনা রন ৪৫ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। টিম অদুগী ইন্নিংস হৌরকপদা ওপনর সিখর ধৱন রন ৫দা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুংদা টিম অদুগী কেপ্টেন শ্রিয়াস আয়র অমদি অতোপ্পা ওপনর পৃথিবী সোনা মখা তাবা ইন্নিংসকী অপূনবা স্কোর অদু ৪২ ফাওবা পুরকখি। সো রন ১৯দা আউট ওইখিবদগী টিম অদুগী মরিশুবা বেটচমেন পন্থ শান্নবা চঙলকখিবা অদু শ্রিয়াস আয়রগা পার্টনরশিপ অমা শেম্নবা হোৎনখি। আয়র মশাগী রন ২২দা আউট ওইখি।

ষ্টৌইনিসনা পন্থকা লোয়ননা মখা তাবা ইন্নিংস শান্নরকপদা অপূনবা স্কোর অদু ৭৯ ফাওবা য়ৌহল্লকখি। পন্থ রন ৫দা আউট ওইখিবদগী হেটমরনা মহুৎ শিনখি। হেটমর অমদি ষ্টৌইনিসকী পার্টনরশিপ অদুনা অপূনবা স্কোর ১০৯ য়ৌরকপদা ষ্টৌইনিস রন ৩৯দা আউট ওইখি। মদুগী মতুং হেটমরসু বোল ২৪দা সিক্স ৫ অমদি ফোর ১ য়ৈরগা রন ৪৫দা আউট ওইদুনা দিল্লি কেপিটেলসকী স্কোর অদু ৱিকেট ৬ তুবদা রন ১৪৯ লৌখি। টিম অদুগী মখা তারকপা বেটচমেনশিংনা রন ১৮৪ ফাওবা য়ৌহল্লগা ইন্নিংস লোইশিনখি।

রাজস্থান রোয়লসনা মায় পাক্লবগীদমক্তা রন ১৮৫ লৌবা তাখি। মদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী বেটচমেন ১০ মক অরোইবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা শুপ্পগী রন ১৩৮খক লৌদুনা লৈখিবদগী মেচ অদু দিল্লি কেপিটেলসনা রন ৪৬তা থোইখিবনি।

রাজস্থান রোয়লসকী ইন্নিংস অদু তাঙ্কক কয়া থোক্লা দিল্লি কেপিটেলসকী বোলরশিংনা ফজবা পার্টনরশিপ অমত্তা শেমহন্দনা আউট তাহনবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ওপনর য়াসস্বি জেস্বালনা রন ৩৪ লৌরমখিবা অমদি ৬শুবা বেটচমেন রাহুল টেৱাটিয়ানা বোল ২৯দা সিক্স ২ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৩৮ লৌরম্বা অদুনা টিম অদুগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং ওইখি।

রাজস্থান রোয়লসকী কেপ্টেন ষ্টিভেন স্মিথনা বোল ১৭তা সিক্স ১গা ফোর ২ য়ৈরগা পূন্না রন ২৪ লৌখিবা অদু টিম অদুগী মায়কৈদগী পনবা য়াবা স্কোর ওইখি। দিল্লি কেপিটেলসনা পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ১০ ফংলগা মাংজিল থাদুনা লৈরি।

হয়েং অঙনবা মেচতা কোলকাটা নাইটরাইদরস অমসুং কিংস ইলেভেন পঞ্জাব শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা মেচতা চেন্নাই সুপর কিংস অমসুং রোয়লস চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোর লম্বা তৌনগনি।

ফিফানা ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী ট্রান্সফরগী চাদিং য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ১.৯ হন্থখ্রে

জেনেভা, ওক্টোবর ০৯(এজেন্সী): মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ফিফানা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমদা মমাংদা তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিং ট্রান্সফর তৌবগী শেনফম অদুদগী চৎলিবা সিজন অসিদা য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ১.৯ হন্থরে হায়খ্রে।

ফিফাগী রিছার্স টিমনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী অসিগী মার্চ থা হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লবশিংগী মরক্তা শান্নরোয়শিং ট্রান্সফর তৌনবগী মতাংদা চাদিং তৌরিবা শেনফম অদু হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ১.৯ হন্থরকখিবনি হায়খ্রে।

কুমজা ২০১৯দা ফিফাগী মায়কৈদগী থমখিবা শান্নরোয়শিং ট্রান্সফর তৌনবদা চঙখিবা শেনফম অদু য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ৩.৯২ ওইখিবনি। হায়রিবা শেনফম অদুগা কুমজা ২০২০গী ওইনা লৈরিবা শেনফম অসিগা য়েংনরুবদা হন্দক্কীসিনা য়াম্না হন্থখি। মসিগী মরুওইবা মরমদি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা ওইখিবনি।

য়ুরোপকী ফুটবোল ক্লবশিংনা কুমজা ২০২০-২১গী সিজন অসিনা খ্বাইদগী শেল য়াম্না য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ৩.৭৮ চাদিং তৌখি। মসিগী মনুংদা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লবশিংনা য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ১.২৫ চাদিং তৌখি। অদুগা মখোয়গী হেক মথংদা ইটালিগী ফুটবোল ক্লবশিংনা শান্নরোয়শিং লৈবগী মতাংদা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ৫৪৪ চাদিং তৌখি।

ফিফাগী মোনিটরিং সিষ্টম অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, য়ুরোপকী ফুটবোল ক্লবশিংনা মরুওইনা শেল থাদদনা অফবা শান্নরোয় কয়া অমা মখোয়-মখোয়গী ক্লবশিংদা শরুক য়ানবগীদমক চাদিং তৌখি। অমরোমদা, মরুওইবা ফুটবোল ক্লব খরনা মখোয়গী শান্নরোয়শিং শেল য়াম্না ৱাংনা অতোপ্পা ফুটবোল ক্লবশিংদা য়োনবা য়াওখি।

ফিফাগী মোনিটরিং সিষ্টমগী রিপোর্টনা মখা তারদুনা সাউথ অমেরিকাদা লৈবা ফুটবোল ক্লবশিংনা য়ামদ্রবদা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ২৯৫গী ওইবা কান্নবা ফংলি। মফম অসিগী শান্নরোয়শিংনা হান্নদগী য়ুরোপকী মরুওইবা ফুটবোল ক্লবশিংনা শরুক য়াদুনা লৈরম্বদগী অতোপ্পা কন্টিনেন্ট অদুগী মমিং লৈরবা ক্লবশিংদা চোংথোক-চোংশিন তৌবদা অচৌবা শেনফমশিং অদু লাকখিবনি। ফুটবোলগী লম্দা য়ুরোপকী ক্লবশিংনা খ্বাইদগী শেল চঙনা অফবা শান্নরোয়শিং লৌবগী থবক পায়খৎতুনা লাক্লি।

আই ও সীগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেক টোকিওদা চৎকদৌরি

টোকিও, ওক্টোবর ০৯(এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেকনা মথং থাদা জপানগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগা অমদি চহী ১ য়ৈথোকখ্রবা টোকিও ওলম্পিক্সকী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী সী ঈ ও টোসিরো মুটো য়াওনা মকোক থোংবা ওর্গনাইজর কয়া অমগা উনরগনি হায়না ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী সী ঈ ও টোসিরো মুটোনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা থোমাস বেকনা জপানদা নবেম্বর থাগী ময়াই চনশিল্লকপদা লাক্কনি হায়বা সেদ্যুল্দ অমা লৈরি। অদুবু তংতাবা নুমীৎ অদুদি জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসতগী খঙলগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, চহী অসিগী জুলাই ২৪দগী হৌরগা ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা টোকিও ওলিম্পিক্স গেমস অদু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মথং চহীগী জুলাই ২৩দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা য়ৈথোকখিবনি।

হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী ফীভম অসিদা জপাননা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিগী তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংদা থবক ওইনা পাঙথোকপা য়ানবগীদমক্তা ওনলাইনদা গেমস অদুগী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগা ইন্টরনেসনল কম্মিটিগী মায়কৈদগী ৱারী শানবা লৈখ্রবসু হকথেংননা আই ও সীগী মায়কৈদগী থোমাস বেকনা অহানবা ওইনা লাক্কদৌরি।

ইষ্ট বেঙ্গলনা লিবরপুলগী লিজেন্দ রোবি ফোলরবু হেদ কোচ ওইনা লৌশিনখ্রে

কোলকাটা, ওক্টোবর ০৯(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগতা নৌনা শরুক য়াবা ঙমখ্রবা কোলকাটাগী ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লবকী হেদ কোচকী থৌদাং অদু মমিং লৈরবা মমাংদা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব লিবরপুলগী লিজেন্দ অমদি কোচ ওইরম্বা রোবি ফোলরনা ওইরগনি।

রোবি ফোলর ইংলেন্দগী মমাংদা শান্নরোয় অমা ওইরম্বতা নৎতনা ফুটবোল ক্লব লিবরপুলগী লিজেন্দ অমা ওইরিবনি। ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব ইষ্ট বেঙ্গলনা রোবি ফোলরবু চহী অনীগী কন্ট্রেক্টতা টিম অদুবু য়েংশিন্নবা হেদ কোচ ওইনা খুৎয়েক পীনখিবনি। ইষ্ট বেঙ্গলগী নৌনা মপূ ওইরিবা হরি মোহন বনগুরনা ঙসি ফোঙদোরকখিবা মতুং ইন্না ক্লব অদুগা রোবি ফোলরগা চহী অনীগী ওইবা খুৎয়েক পীনবগুম রোবি ফোলর চয়োল অমগী মনুংদা গোৱাদা লাক্তুনা ইষ্ট বেঙ্গলগী টিম অসিবু লমজিং লমতাক্কদৌরি।

পনবা য়াবদি, ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লবকী হেদ কোচ রোবি ফোলরনা ওইরবা মতুং মহাক্কী ঙমথংদা কোচকী থৌদাং লৌগদৌরিবা মীওই অদু মণিপুরদগী হৌখিবা রেনেদিনা ওইরগনি হায়না বনগুরনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

আর্চরশিংনা কোভিদ-১৯ অনলোক মতুংদা অকনবা ট্রেনিং চথুরি

পুনে, ওক্টোবর ০৯(এজেন্সী): মহারাষ্ট্রগী পুনে সিটিদা লৈবা আর্মি স্পোর্টস ইন্সটিট্যুটতা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী রিকর্ব আর্চরশিংনা কোভিদ-১৯ অনলোককী মতুংদা অহেনবা পর্ফোর্মেন্স উৎনবগীদমক্তা অকনবা ট্রেনিং চথুরি।

ইন্সটিট্যুট অদুদা ইন্দিয়াগী রিকর্ব টিমগী নুপা অমসুং নুপীগী আর্চরশিংনা চহী অসিগী ওগষ্ট ২৫দগী ট্রেনিং চথুদুনা লাকখিবনি। মখোয়না ট্রেনিং চথুবা হৌখিবা অদু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯ লোকদাউন লৈখ্রবা মতুং অনলোককী কাঙলোন পীরকপদগী হৌখিবনি।

চহী অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শান্নবগী লম্দা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা আর্চরিগী ওইনা অর্জুনা এৱার্দ ফংখ্রবা অতানু দাসনা ফোঙদোরকখিবদা, লোকদাউনগী মনুং শান্নবগী ইভেন্ট খরা লৈঙাক্লা ট্রেনিং অমদি কেম্প তৌবা য়াহল্লকপগী মতুংইন্না আর্চরিগী লম্দা খূদোংচাবা পীরকপা অসি থাগৎনিংই হায়খি।

আর্চরিগী কোচ অমসু ওইরিবা মাজি সৱাইরননা ফোঙদোরকখিবদা, আর্চরশিংনা কম্পিটিসন শরুক য়াদ্রিঙৈ মাংওইননা মশাগী ফিটনেস অদু মপূং ফানা থম্বা অদুনা খ্বাইদগী মরুওইবনি হায়খি। আর্চরশিংনা ক্বারন্টিনদগী থোরক্লগা মখোয়-মখোয়না শরুক য়াগদৌরিবা ইভেন্টশিং অদুগী প্রেক্টিস তৌবা হৌদ্রিঙৈদা জেনরেল ফিটনেস থম্বা তঙাইফদবা অদুগী য়েংলগা আর্চরশিং অদুবু ট্রেনিং পীখিবনি হায়খি।

আর্চরশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা, লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি অদু ঙাক্লা প্রেক্টিস তৌবদা অকায়বা লৈতনা হান্নগী পর্ফোর্মেন্সশিং অদু য়ৌনবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংই হায়খি। মমাংদা রিকর্ব ইভেন্টকী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী দিপিকা কুমারীনা ফোঙদোরকপদা, ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা আর্চরশিংগী ওইবা ট্রেনিং ফংহনবা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওই হায়খি।

মেসিগী পাঙ্গলনা অর্জেন্টিনানা ইক্বাদোরবু ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়রদা মায় পাকহনখ্রে

বুইএনোস আইরিস, ওক্টোবর ০৯(এজেন্সী): কুমজা ২০২২দা এসিয়াগী লৈবাক অমা ওইরিবা কটারনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াননবগীদমক্তা পাঙথোকপা ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় মেসিনা চনখিবা পাঙ্গলনা ইক্বাদোরবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

অর্জেন্টিনাগী কোনুং বুইএনোস আইরিসতা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফাইয়িং মেচ অমদা অর্জেন্টিনা অমসুং ইক্বাদোর লম্বা তৌনখিবনি। বিনোস আইরেসতা লৈবা বোম্বোনেরা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ভাবোক অমত্তা য়াওদ্রবসু ষ্টেদিয়ম অদুগী সাউন্দ সিষ্টমনা ‘মেসি! মেসি!’ হায়বা মখোল থাদোক্তুনা ইক্বাদোরগা লম্বা তৌনবা অদুদা টিম অদুবু শৌগৎহনখি।

মেচ অদুগী হৌরকপা ১২শুবা মিনটতা স্পেনগী ফুটবোল ক্লব বর্সেলোনাদা মতম শাংনা শান্নরক্লিবা অমদি মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা লিওনেল মেসিনা ১২শুবা মিনটতা ফংখিবা পেনাল্টিগী খূদোংচাবা অদু পাঙ্গল ওন্থোক্তুনা ইক্বাদোরবু অর্জেন্টিনানা ১-০দা মাংজিল থাবা ঙমখি। পেনাল্টি অদু অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় লুকাস ওকাম্পোজপু ইক্বাদোরগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী পেনাল্টি এরিয়াদা কাঙলোনগী ৱাংমদা ইন্থুরুবগীদমক্তা পীখিবনি।

ঙন্না পাঙ্গল অমা মাংজিল থাবা ঙম্লবা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয়শিংনা মখা তাবা অহেনবা পাঙ্গল চনশিন্নবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লখি। ইক্বাদোরগী দিফেন্দরশিংগী ফজবা মশান্না অদুনা মখোয়গী এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহনখি।

অনীশুবা হাফ অদুদসু অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঙ্গল চনবা ঙমখিদে। লোয়ননা ইক্বাদোরগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনবা অদুসু মেচ লোইশিল্লকপা ফাওবদা কান্নবা ফংদনা মায়থীখি।

ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী হেক মথংদা লৈরিবা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী প্লেওফ মেচ অমদা সর্ভিয়ানা নোরৱেবু পাঙ্গল ২-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। স্কোটলেন্দ অমসুং নোরদর্ন আইরলেন্দসু মখোয়-মখোয়গী মেচশিং মায় পাকপা ঙমখি।

সর্ভিয়ানা নোরৱেগা শান্নখিবা মেচ অদুগী হৌরকপদা লম্বা য়াম্না মান্ননা লৈখি। টিম অনীমক পাঙ্গল অমমম্ চন্নদুনা মেচকী অপীবা মতম অদুদা মায় পাকপা ঙম্নখিদবা অদু এক্সট্রা টাইমদা সর্ভিয়াগী মিলিনকোবিচনা চনখিবা পাঙ্গলনা টিম অদু মায় পাকহনখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা স্কোটলেন্দনা ইজরেলগা শান্নবদা অপীবা মতমদা পাঙ্গল চন্নখিদবদগী পেনাল্টি শুট আউটতা ৫-৩দা থোইদুনা সর্ভিয়াগা মথংগী মেচ শান্নগনি। নোরদর্ন আইরলেন্দ অমদি বোস্নিয়াগা শান্নখিবা মেচ অদুসু অপীবা মতমদা পাঙ্গল মান্নবদগী পেনাল্টিদা বোস্নিয়াবু ৪-৩দা থোইদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখি।

For Indigenous Food Lovers
Powered By: WAKHAL
Organised By: BLOSSOMING KIDS
Grand Chef
Manipur
Season-1
First ever of its kind
Email: kidsblossoming@gmail.com
REGISTRATION OF VIRTUAL AUDITION
URL : https://wakhal.in/c/117/competition/mcm-01
Last Date of SUBMISSION :
30th OCTOBER.
Award
TOUR PACKAGE/CASH PRIZES
CONTACT DETAILS:
Mob: +91-8974854680
+91-9885605739
+91-8831079170
+91- 9856366563
Email: grandchefmanipur@gmail.com
Hospitality Partner: Yum & Hik
Travel Partner: 7 Sisters Holidays
Media Partner: ISTV Network
Youtube Partner: kumhei.com
HL/P/7700/8/10,12&14

LOKTAK
S.D. Industries
☐ 100 % Food Grade (for dringking water)
☐ Highly durable
☐ UV stabilized
☐ Odourless
Changangei Uchekon, near Herbert School Imphal West-795140
loktaktank@gmail.com www.loktaktank.com Loktaktank loktaktank 09436661644
HL/P/7685/8/10-5/12 (alt)

/JOB VACANCY
1. Sales Executive
(Tbl., Kakching, Nambol, Moirang, Sekmai)
2. Security
3. Driver (Unmarried)
4. 2 Wheeler Mechanic
5. Gr. - IV
N.B : All Posts Salary Starting from Rs. 5,000/- to 30,000/- without Incentive +Bonus.
Please Contact, M.M. Singh
Mobile No. 8413973840
HL/B/6352/28

A unit of RaDiant Group
Download arambai2020 & get a FREE HAND SANITIZER
Get ₹50 off on your first order of ₹500 or above
Opening Services at Moirang, Thoubal Sekmai on 17th October, 2020
@arambai2020
7005 945 860
Terms & Condition
Once downloaded the app, please contact us for your voucher code
HL-B/6409/27th Sept. to 26th Oct.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com